**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বি.জে.পি এম.এল.এ য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা এম.এল.এ খরসু ঙসি নিউ দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কাংপোকপী জিলাদগী নোংমৈ য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অমসুং

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- মথং চহিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী লেফটৱিং এক্সত্রিমিজম লোইশিন্নবা থৌরাং তৌরি।

------

বিরেন (এল)ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা এম. এল. এ অহুম য়াওবা মীহুৎ কাংবু অমা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগা উনরুনবা ঙরাং নিউ দিল্লিদা থুংখবা তুংদা ঙসি বি.জে.পি এম.এল.এ য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা এম.এল.এ খরা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি।

বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী পাউনা হায়- কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগা ডন্নদ্রিঙৈ মাংওইননা বি.জে.পি এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা হয়েং নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লবা য়াই।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কাংপোকপী জিলাদগী নোংমৈ য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কংলাংতোংবীদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা নাইন এম.এমগী করবাইন সব-মেছিনগন অমা, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৭, সিঙ্গল বিরেল নোংমৈ অমা, নোংমৈ মরু ১০ য়াওনা অতৈ ফোৎলমশিং ফাগৎখি।

নুমিৎ অসিমক্তা সেক্যুরিতি ফোসর্ন কাংপোকপী জিলাগী কোটজিমদগী হেক্লর এন্দ কোচ জি-ফোর নোংমৈ অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল ২, মেকানিজম রাইফল অনি, ইমপ্রোভাইস মোর্টার অনি, থার্তি সিক্স হেন্দগ্রেনেদ অনি য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফাগৎ।

মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা, কিহন খঙহনবা অমসুং আইনগী ৱাংমদা থবক চথুবা মীওইশিংগী মথক্তা থবক লৌৎনবা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন চথুদুনা লেপ্তুনা ফাগৎলি।

মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎতগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি মীয়াম অমসুং সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। জিলা অসিগী লাইফম খুনৌ মনিং লৈকাইদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমসু ফাগৎখি। মীওই অসি তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৈবা হোস্পিতাল অমসুং মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চীংমৈরোংদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অনি ফাগৎখি। ফারবা মীওই অনি অসিসু মায়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবশিংনি। মখোয়দগী পোইন্ট ফোর ফাইভকী গ্লোক পিষ্টোল অমা, শেল ওইনা লুপা লাখ ১ লিশিং ২৬ রোম, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি। নুমিৎ অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ইথায় ৱাপোকপীদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ফাগৎখি। মণিপুর পুলিসনা ককচিং জিলা হিয়াংলমদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোংদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদগী লুপা লাখ ১৬ লিশিং ৬৬ রোমগী মমল ওইগদবা দব্লিউ.ব্রাই টেব্লেৎ লিশিং ২ ফাগৎখি।

জিএসটি (এল)ঃ হন্দক্তা নৌনা চৎনিখিবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্ম অসিনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়াদা লৌরম্বা জি.এস.টি চাং হ্রাংনা হান্থখ্রে। অনৌবা জি.এস.টিগী থৌরাং অসিনা পোত্থোক পুথোক্লিবা মীওইশিংদা অমদি পোৎ লৈরিবা মীয়ামদা কান্নবা কয়া ফংহল্লগনি হায়না থাংজম এগ্রো প্রাইভেট লিমিতেদকী চেয়ারমেন টি.ঐচ. জোয়কুমারনা ফোংদোক্লি। মহাকা হায়- লিক্লানা পুথোকপা ঈশিং অমসুং হৈ মহিশিংদা হান্না চাদা ১২ লৌরম্বদদু হৌজিক্তি চাদা ৫ দা হন্থরে। মসিনা পোৎ লৈরিবা মীওইশিংদা কান্নবা পীরগনি। অনৌবা চৎন কাংলোন অসিনা পোত্থোক পুথোক্লিবা মীওইশিংদা জি.এস.টি থিবদসু লাইথোকহল্লে।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- মথং চহিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী লেফটব্বিং এক্সত্রিমিজম লোইশিন্নবা থৌরাং তৌরি। শ্রী সাহনা মাওইষ্টশিংনা খুৎলায় থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকবা আপীল তৌরদুনা হায়- করিগুম্বা মখোয়না খুৎলায় থাদোক্ত্রবদি সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা এক্সনশিং অসি মায়োকবা তাবনি।

ছত্তিসগরগী জগদলপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- বাস্তর লমদম অসি নক্সলাইটনা মরম ওইদুনা মতম কুইনা চাওখৎপগী লম্বীদা থিন্থদুনা লৈরি। অদুমওইনমক মথং চহিগী মার্চ ৩১ দগীদি বাস্তরগী চাওখৎ থৌরাংদা নক্সলাইটশিংনা অয়েৎপা পীবা ঙল্লরোই।

থৌরম অদুদা শ্রী সাহনা মুখ্য মন্ত্রি গ্রামিন বস সেবা য়োজনাসু হৌদোকখি। স্কিম অসিগী মখাদা বাস্তর অমসুং সুরবুজা দিভিজনদা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গং ২৫০ গা রুট ৩৪ দা বস অসি চেনদুনা চৎথোক চৎশিনগী পাম্বৈদা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। মহাতারি বন্দনা য়োজনাগী ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্টকী কান্নবা নুপী

লাখ ৭০ দা ফংহল্লে। মখোয়গী এক্কাউন্টশিংদা পুন্না লুপা কোতি ৬০০ লোম ত্রান্সফর তৌখ্রে।

বহার ঃ ইলেক্সন কম্মিসনগী চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার গ্যানেস কুমারগা সেন্ত্রেল ফোর্সেস, পুলিস, নোদেল ওফিসার অমসুং অতৈ তোঙান তোঙাবা এজেন্সিশিংগা ঙসি পাটনাদা উন্নরগনি। বিহার বিধান সভা মীখলগী শেম শারিবশিং অদু চীফ ইলেক্সন কম্মিসনারনা রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার, চীফ সেক্রেটরি অমসুং দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস য়াওনা য়েংশিল্লগনি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা বিহারদা থুংলখিবা শ্রী গ্যানেস কুমারনা ঙরাং পাটনাদা রাজ্য অদুগী জিলা ৩৮ গী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকা উন্নখ্রে। মখোয়দা মীখল অসি নিয়াম চুমা অমসুং মীয়ামা অকিবা লৈতনা ভোৎ থাদহন্নবা থৌরাং পায়খৎনবা খঙহনখি। খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা পাউতাকসু পীরমখি।

য়ুকে ঃ য়ুনাইতেদ কিংদমগী প্রধান মন্ত্রি কেয়ার ষ্টার্মর নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা থা অসিগী ৮ দা ভারত্তা থুংলগনি। খোঙচৎ অসি প্রধান মন্ত্রি ষ্টার্মরগী ভারত্তা লাকপা অহানবা ওফিসিয়েল খোঙচৎনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- থা অসিগী ৯ দা মুম্বাইদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা শ্রী ষ্টার্মরগা ভারত অমসুং য়ুনাইতেদ কিংদমগী মরী হেন্নো ফগৎনবা ভিজন ২০৩৫ দা পুন্না শরুক য়ামিন্নগনি। লুচিংবা অনিনা লল্লোন ঈতিক, উদ্যোগনচিংবা লমশিংদা তেংবাং পীনদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎনবা ৱাফমশিং খন্নগনি। মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নগনি হায়রি। শ্রী মোদি অমসুং শ্রী ষ্টার্মরনা গ্লোবেল ফিনটেক্কী ৬ শুবা ইদিসনদা পুন্না শরুক য়ামিন্নগনি।

কোষ্টগার্দ ঃ ইন্দিয়ান কোষ্টগার্দনা নেসনেল লেবেল পোল্লুসন রেস্পোন্স এক্সরসাইজগী ১০ শুবা ইদিসন তামিলনাদুগী চেন্নাইগী সমুদ্র খোঙবানদা ঙসি হৌদোক্লগনি। নুমিৎ নিনি চগ্থগদবা থৌরম অসিদা ২৭ শুবা নেসনেল ওইল স্পিল দিজাষ্টর কন্টিঞ্জেন্সি প্লান্টকী মতাংদা পাঙথোক্কনি। এক্সরসাইজ অসিনা সমুদ্রদা থাউ হৈদোক্কুনা ঈশিং মোৎশিনহনবগী চাং হান্থহানবা ঙমগনি। থৌরম অসিদা লৈবাক ৩২ দগী মীহুৎ ১০০ হোন্না শরুক য়াগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বি.জে.পি এম.এল.এশিং দিল্লিদা চংশিন্নরি, এপ্পোইন্টমেন্ট লৌদ্রি, কনা কনা উন্নগদবনো খঙদ্রি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এন. বিরেনগা লোয়ননা ডাঃ শাপম রঞ্জন, হৈখাম দিঙ্গো অমসুং তোংব্রম রোবিন্দ্রো সরকার শেম্বগী মতাংদা দিল্লিদা থুংখ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকল অমসুং পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোপুলর গভর্নমেন্ট শেমবা বি.জে.পি এম.এল.এশিং দিল্লিদা পাইশিন্নখ্রে হায়না মোর্নিং বেল, সনালৈবাক অমসুং মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লাইনিং ওইরকপা ফ্রি মুভমেন্ট অথুবা মতমদা য়াগদৌরে হায়বা পুলিস ছোর্সকী পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। চুরাচান্দপুরগী পুলিস পার্সোনেলশিংদা ইল্লিগেল ওর্গনাইজেসনশিংনা শেলগী দিমান্দ তৌরে হায়বগী ৱাফম ভাইরেল ওইরক্লে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ফাইকোট খুলগী খুঞ্জা অমবু তমথিনা ফুরকপগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং পুং ৪৮ গী মনুংদা ফাদ্রবদি খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা কোতুগী ৱাফম এন.ঐচ-টুদা

চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংজিল্লকপা য়াই হায়বা ৱাফম অসিগা লোয়ননা সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হাইৰেশিংদা ফ্রি মুভমেন্ট য়াহন্নবগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা মীফম পাঙথোক্কুনা খন্নখ্রে হায়বা পাউ মণিপুর মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় অমসুং লালহৌবশিং ফারে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা মাওইষ্টশিংনা সরেন্দর তৌদ্রিবা ফাওবা ৱারী শান্নরোই হায়না অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা সু চৎনহান্দবা অমদি আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা লৈঙাক্তা তকশিনবা হায়না মীয়ামগী মীফমনা ৱারেপখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ আই.দি.পিশিংগী অখন্নবা মফম অমা পীগদৌরি হায়বা পাউ অমা পোকফমগী এনকর কলমদা ফোংলি।

শঙাই কন্নবা, মশিং হেনগৎনবা হোৎনরি হায়না প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগ ভাজপায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওহ ৯৩ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি

------